# ইন্দিয়াদা থুনা য়াঙনা অহোংবা পুরক্নবগীদমক আইন শেমদোকপা তঙাইফদে ঃ মোদি

*ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ২৫ঃ*

ইন্দিয়াবু অথুবদা অহোংবা পুরকপা পান্নিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়, হৌজিক আইন শেমদোকপা তঙাইফদে। কান্নদ্রবা থৌশিলশিং মুত্থৎকদবনি।

ইন্দিয়াবু খুৎমাং চাওশিন্না চাওখৎহনগদবা থৌশিলশিংদা মীৎয়েং থাম্বা দরকার ওইরি। লৈবাক অসিনা অহোংবা পুরক্নবগীদমক শীংনবা অমা তঙাইফদে।

হৌজিক ওইরিবা চাওখৎপগী মওং অসি হেন্না ফগৎহনদুনা অখন্নবা মওং অমদা লাকহনগদবনি। অহোংবা অমা পুরক্নবগীদমক ইন্দিয়ানা শীংনবা অমা দরকার ওই। শীংথানিংঙাই ওইবা চাওখৎপদা দরকার ওইদবশিং খন্দোকখিগদবনি।

মহাক্কী ওইবা ৱাখল্লোলদি ইন্দিয়া থুনা য়াংনা অহোংবা অমা পুরকপা অদুনি হায়না বিজ্ঞান ভাবনদা পাঙথোকপা নিতি আয়োগনা শীনবা ট্রান্সফোর্মিং ইন্দিয়া হায়বা থৌরমদা লুচিংবা অদুনা ফোঙদোকখি।

লুচিংবা অদুনা লৈবাক অসিদা অহোংবা কয়া পুরক্কুনা এদমিনিষ্ট্রেসনদা চপ চাবা মমি অমা তাহনবা দরকার ওই। মোদিনা হায়, ১৯শুবা চহীচাদগী হৌনা অদুগুম্বা অহোংবশিং পুরকপা ঙমদনা লৈরকখ্রবনি।



লৈঙাকলোনদা অহোংবা পুরকপা হায়বদু লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী ৱাখল্লোল হোংদোকপা ঙমদনদি ওইথোক্লোই। মদুগীদমক লৈবাক অসিদা লৈরিবা আইনশিং হোংদোকপা তঙাইফদে। দরকার ওইরবদি আইন কয়া মুত্থৎকদবনি।

টেক্নোলোজি অমসুং চাওখৎ মায়কৈদা থুনা য়াংনা চংশিনগদবনি। ১৯শুবা চহীচাগী ৱাখল্লোল অদুনা ২১শুবা চহীচা অসিদদি চুন্নদবগা লোয়ননা মাংলোমদা চংশিনবা ঙম্লোই।

কেবিনেট মিনিষ্টর কয়া য়াওবা মীফম অদুদা মোদিনা মখা তানা হায়, মপান অমসুং মনুংগী ওইবা হিরম খুদিংমক্তা অহোংবা পুরকপা দরকার ওইরি। চহী ৩০গী মমাঙদা লৈবাক অমনা মখোয়গী ওইবা ৱাথোকশিংগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমখি।

ঙসিদি ফিভম অদু ওইনবা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগা মরী লৈননা থবক পায়খৎপা তঙাইফদ্রে। লৈবাক অমত্তনা মরোমদোম লেপ্তুনা চাওখৎনবা হায়বদু ওইথোক্লরোই। লৈবাক খুদিংমক্না মালেমগী ওইবা থাক্তা শীংথানিংঙাই ওইবা থাক অমদা থবক তৌবা তঙাফদে।

অহোংবা হায়বদু তঙাইফদবা অমনি। নহা ওইরিবশিংগী মীরোল অসিনা ৱাখল খনবগা লোয়ননা হৌখিবশিং কাওথোক্তুনা চাওনা অহোংবা পুরক্নবা লৈঙাক্না লোয়ননা থবক তৌবা তঙাইফদে। মরোমদোম থবক তৌগনি হায়বদু ওইথোক্লরোই।

প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়, লৈঙাক্তনা লৈরিবা অরিবা ৱাখল্লোলশিং অদুনা ৱাথোক কয়া ওইহনবা য়াই। ইন্দিয়াদা তংদু লৈতাবা দিমোক্রেসিগী থৌশিল অমগীদমক কন্না হোৎনদুনা অহোংবা অমা পুরক্কদবনি। তোঙান-তোঙানবা মীওইশিংনা লাইরিক নত্রগা আর্টিকল কয়া পাদুনা অনৌবা ৱাখল্লোল পুথোরক্লি।

লৈবাক অসিনা চাওখৎপা হায়বদু শেল্লেপ লৈবগী চাং অমসুং হোৎনবা কনবগী মখা পোল্লি। মমাঙ চহীদা অনৌবা ফিভম অমা লাক্লে। মরু ওইনা নেসনেল ইন্সটিট্যুসন ফোর ট্রান্সফোর্মেসন অফ ইন্দিয়া নত্রগা নিতি আয়োগ লাকখ্রবনি।

নিতি আয়োগনা ইন্দিয়াবু অওনবা অমা পুরক্নবা ৱাখল্লোলদা বেজ তৌরি। নিতি আয়োগকী থবক থৌরমশিংগী মতাংদা লুচিংবা অদুনা হায়, মপান্থোংগী ওইবা ৱাখল্লোলগা লোয়ননা লৈঙাক অসিনা থৌশিল কয়া পায়খৎতুনা লৈবাক অসিবু নেসনেল অমসুং ইন্টর্নেসনেলগী থাক্তা থবক কয়া পায়খৎনবা হোৎনরি। লৈঙাক অসিনা মালেমগা শন্নবা হোৎনরি হায়খি।

# সুসাইদ বোম এটেক্তা টর্কি পুলিস ওফিসার ১১ শীরে, মীওই ৭৮ শোক্লে



*টর্কিদা ট্রক বোম এটেক চথরকপদা মাং তাকখিবশিং*

*ইষ্টাবুল, আগষ্ট ২৬ঃ*

কর্দিষ্ট রিবেলনি চিংনবশিংনা চথরকখিবা সুসাইদ ট্রক বোম এটেকতা টর্কি পুলিস ওফিসার ১১ শীরে। অদুগা ৭৮না অশোক অপন নংখ্রে।

সিরিয়াগী ঙমখৈগা নক্ননা লৈবা অৱাং থংবা সিজরে সহরদা লৈবা পুলিস হেদ ক্বাটর অমদা ঙসি অয়ুক ট্রক বোম এটেক চথরকপদা হেদ ক্বার্টর অদু মাং তাকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৬.৪৫ রোম তাবদা পোকখায়বা য়াবা মচাক থন্না য়াওবা ট্রক অমনা এন্টি রাইওট পুলিস হেদ ক্বার্টরদা থৌজিল্লক্তুনা পোকখায়খি হায়না প্রোভিন্সিয়েল গর্ভনরগী ওফিসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদুদা পুলিস ওফিসার ১১শীখ্রে। অদুগা ৭৮না অশোক অপন নংখ্রে। শোক্লবশিংগী মনুংদা মীচম ৩ য়াওরি হায়নসু হেল্থ মিনিষ্টর রিসেফ অকদাগনা ফোঙদোরক্লি।

টর্কি মিলিটরিনা কর্দিষ্ট মিলিয়াশিংগী মথক্তা সেল কাপশিনখিবা পুং ১গী মতুংদা এটেক অদু চথরকখিবনি। টর্কিনা হায়, লাননা শোকহল্লবা লৈবাক অদুগী ঙমখৈদা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা ওপরেসন চথখি।

সিরিয়াগী ঙমখৈ মনুংদা লৈবা আই এস আই অমসুং কর্দিষ্ট পিপলস প্রোটেক্সন য়ুনিটকী লৈফমশিংদা ওপরেসন অদু চথখিবনি।

অঙ্করাগী মতুং ইন্না ৱাই পি জি টর্কিদা আইননা য়াদে হায়না লাউথোকখ্রবা পি কে কেগা শন্নে। টেরর গ্রুপ অদুনা টর্কিগী ঙমখৈদা লৈবা সিরিয়াগী কর্দিষ্ট ওটোনোমস রিজনদা চংজফম লৌদুনা লৈবনি।

সিজরেদা চাওনা পোকখায়হনখিবা অদুনা মরম ওইরগা মথেল মরি ৱাংবা পুলিস হেদ ক্বার্টর অদু চাওনা অমাং অতা থোকহনখি। মফম অদুদগী অমুবা মৈখু কারকই। মদুতা নত্তনা মনাক নকপদা লৈবা বিল্ডিং কয়াসু অকায় অতোয় থোহকনখি।

ষ্টেটনা চল্লাইবা অনাদোলু ন্যু এজেন্সিনা রিপোর্ট তৌরকখিবদা পুলিস হেদ ক্বার্টরদগী মিটর ৫০ রোম লাপ্পা লৈবা কন্ট্রোল পোষ্ট অমদা বোম অদু পোকখায়রকখি। টর্কি সিক্যুরিটি ফোর্সনা পি কে কেগী লৈফমশিংদা নুমিৎ খুদিংগী এটেক চথরি।

ঙসি নৌনা শাখিবা বোম অমা পোকখায়রকখিবা অদু অরুবা ফিভম অমনি। টর্কি ফোর্স অমসুং মখোয়গী টেঙ্ক ১২ হেনবশিং সিরিয়া মনুংদা দিপ্লোই তৌদুনা লৈরিবনি। টর্কিনা ঙসি ঙমখৈ লান্না টেঙ্ক ৪সু থাজিনখি হায়না এ এফ পিনা ফোটোগা লোয়ননা ফোঙদোরক্লি।


**GAS TODAY**

**IMPHAL LPG SERVICE**
Booking upto .......26/08/2016
Stk........................462 (DBTL)
FIRST COME FIRST SERVE

**K & K INDANE SERVICE**
Booking upto .......22/08/2016
Valid from ........... 17/08/2016
Stk..................................306
Timing.........7.30 to 11.30 am
FIRST COME FIRST SERVE

**LEIBAKLEI GAS, KAKCHING**
Booking upto .......24/06/2016
Valid from ........... 11/06/2016
Stk............612 DNSC (DBTL)
Timing.........7.30 to 12 noon

**MAHALAKSMI INDANE GAS**
Booking upto .......21/07/2016
Valid from ........... 05/07/2016
Booking Sl. No. 2000009655
Stk.........................306 (DBTL)
Timing.........7.00 to 10.00 am

**ATHOKPAM INDANE, WANGJING & KHONGJOM**
Booking upto .......23/07/2016
Valid from ........... 12/07/2016
Stk............612 DNSC (DBTL)
Timing.........7.30 to 10.00 am
Submit Aadhaar Card


# বোলিভিয়াগী দিপ্যুতি ইন্টরিয়র মিনিষ্টর মাইন্নরশিংনা হাংখ্রে

*লপাজ, আগষ্ট ২৬ঃ*

বোলিভিয়াগী প্রসিদেন্ট ইভো মোরালেস লৈঙাক্কী থৌশিলগী মায়োক্তনা মনিং মখা তম্বা মাইন্নরশিংনা মরু ওইবা হায়ৱেশিং থিংজিন্দুনা খোঙজং চংশিনখ্রে।

মনিং মখা তম্বা মাইন্নরশিংনা মরু ওইবা হায়ৱেশিং মখোয়গী খোঙজং অমা ওইনা পান্দুরোদা থিংখি। মাইন্নরশিং অদুনা বোলিভিয়াগী দিপ্যুতি ইন্টরিয়র মিনিষ্টর ফাদুনা পুখ্রবা মতুং তমথিনা ফুদুনা হাংখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মিনিষ্টর কার্লোস রোমেরোনা দিপ্যুতি মিনিষ্টর অমা ফাদুনা তমথিবা মওংদা হাংখিবা অদু পাংদবা থৌদোক অমনি। দিপ্যুতি মিনিষ্টর রোদোলফো ইলেন্সকী হকচাং অদু শীন্নরক্লবা খঙহনখ্রে। রোমেরোনা হায়, দিপ্যুতি মিনিষ্টর ইলেন্স ফাদুনা পুখ্রবা মতুং ওৎ-নৈবগী থবক চথখি। লোকেল মেদিয়ানা মিনিষ্টর অদু মাইন্নরশিংনা হাংখিবনি হায়বা অদু চপ চানা কনফার্ম তৌবা ঙম্লে হায়না ফোঙদোরক্লি। অদুম ওইনমক শগোলশেন নুমিৎকী অথেংবদা রোমেরো অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টর রেমিনা হায়, দিপ্যুতি মিনিষ্টর অদু ফাখ্রবা মতুং মাইন্নরশিংনা ফুবদগী শীখিবনি হায়খি।

# ৱেষ্ট বেঙ্গলদা দেঙ্গিনা শীহনখিবা মীগী মশিং ২৩ য়ৌখ্রে, মীওই লিশিং ৫ লায়না অদুনা শোকহল্লে



*কোলকতা, আগষ্ট ২৬ঃ*

কাঙনা শন্দোকপা লায়না দেঙ্গিনা ঙরাং ৱেষ্ট বেঙ্গলদা চহী ৬৫রোম শুরবী নুপী অমা শীহনখ্রে। নৌনা মীওই অমা শীহনখিবা অদু থারগা লায়না অদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা শীহনখিবা মীগী মশিং ২৩ শুখ্রে হায়রি।

হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা দেঙ্গি লায়নানা শোকহনবনি হায়বা কেস ৫১০ রিপোর্ট তৌরকখ্রে। সাউথ ২৪ পারগনাদা লৈবা নুপী অমা দেঙ্গিনা নাদুনা লায়ক্নরম্লবা মতুং ঙসি অয়ুক প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা লৈখিদে।

মহাক লৈখিদবগা লোয়ননা চৎলিবা চহী অসিগী জনুৱারি থাদগী ৱেষ্ট বেঙ্গলদা দেঙ্গিনা শীহনখিবা মীগী মশিং ২৩ শুখ্রে হায়না বিস্বারঞ্জন সাটপতিগী হেল্থ সার্ভিসেস দাইরেক্টরনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা পুং ২৪দা মীওই ৫১০ কাঙনা শন্দোকপা লায়না অদু পোজিটিব ওইরে হায়বা চাংয়েং তৌবদা খঙবা ঙমখি। জনুৱারি থাদগী ঙসি ফাওবদা লায়না অদুনা ষ্টেট অদুদা শোকহনখিবা মীগী মশিং ৫,৬৩৯ শুখ্রে হায়রি।

শগোলশেন নুমিৎতা ষ্টেট অদুদা মীওই ৫১০ লায়না অদুনা নারে হায়বগী রিপোর্ট লৈখ্রে। ষ্টেট অদুদা লায়না অদুনা নাহল্লিবগী চাং অদু কা হেন্না ৱাংবা অমনি। হৌরা, হুগ্লি, নোর্থ ২৫ পরগনা অমসুং সাউথ ২৪ পরগনানচিংবা মফমশিংদগী লায়না অদুনা নাবগী রিপোর্ট কয়া ফংলি হায়না হেল্থ ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

# নেপাল বস এক্সিদেন্টতা ২০ শীরে

*কাথমন্দু, আগষ্ট ২৬ঃ*

নেপালগী হায়ৱে অমদগী নাম্থোক্তুনা তুরেল অমদা মীওই কয়া পুদুনা লাকপা বস অমা তাশিনখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই ২০ শীরে, অদুগা ১৭না অশোক অপন নংখ্রে।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না বস অদু মিটর ১০০ হেন্না লুবা লোকুংদা মথক মখা ওন্দুনা ঙসি অয়ুক তাশিনখি। চান্দিভজেয়াং মনাক্তা চেনবা ত্রিসুল তুরেলগী অকনবা ঈচেল অদুদা বস অদু তাশিনখি।

হায়রিবা মফম অদু নেপালগী কোনুং কাথমন্দুদগী নোংচুপ লোমদা কিলোমিটর ১২০ রোম চৎলগা লৈবা মফমনি।

পুলিস অমসুং খুঙ্গাশিংনা শোক্লবা মীওই অমসুং অশীবশিং অতেক অকায় মরক্তগী চিংথোক্লবা হোৎনখি। বস অদু তুরেল খোঙনুংদা তাশিন্দুনা লৈখ্রবসু মী কনবা কাংবুনা মীওই কয়া কন্ননবা হোৎনখি।

পুলিসনা থৌদোক অদু থোকখিবা চপ চাবা মরম খঙদোক্লবা হোৎনরি। চীংগী লৈবাক নেপালদা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক কয়া থোক্লি। মদু লৈবাক অদুগী লম্বী থোংগী ফিভম ফত্তবনা থোকহনবনি হায়রি।

মমাঙদা মী কা হেন্না তোংশিন্দুনা লাকপা বস অমা নোংপোক থংবা নেপালগী চীংগী লমদম অমদগী ওন্থখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৩ শীহনখি। অদুগা ২৮না অশোক অপন নংহনখিবসু লৈখি।

চীংগী লমদম ওইবনা লৈবাক অদুগী হায়ৱেশিং পীক্না লৈরি। অদুগুম্বা হায়ৱেশিং অদুদা কুংনা চেল্লিবা গারীশিং খুদোংথিবা থোকপা য়াবগী চাং ৱাংনা লৈরি হায়রি।

# পাকিস্তানগী অৱাং নোংচুপ্পা মীওই ৭ হাংখ্রে

*ক্বেট্টা, আগষ্ট ২৬ঃ*

পাকিস্তানগী বেলুচিস্থানগী মনুং চনবা খা নোংচুপ থংবা প্রোভিন্সতা কনভোই চৎপা লাম্নীদা নোংমৈ পায়বা মীওইশিংনা এটেক চথরকপদা লান্মী ৬ অমসুং প্রোভিন্সিয়েল গর্ভর্নমেন্ট ওফিসার অমা হাংখ্রে।

এটেক অদু থাদরদগী কিলোমিটর ৮০ রোম চৎলগা লৈবা মফম অমদা চথরকখিবনি। হায়রিবা হিথাংফম সহর অদু চাইনা-পাকিস্তাননা দোল্লর বিল্লিয়ন ৪৬কী লাল্লোল ইতিক তৌননবা হোৎনবদা মরু ওইবা মফম অমা ওইরিবনি।

কনভোই অদু লমগী য়েৎনবা অমা য়েংশিল্লুরবা মতুং হল্লকপগী লম্বীদা নোংমৈ পায়বশিংনা রোকেট অমসুং গ্রেনেদ লংশিন্দুনা এটেক চথরকখিবনি হায়না টুফাইও বালোচকী দিপ্যুতি দিষ্ট্রিক্ট কম্মিস্নারনা ফোঙদোরক্লি।

লুচিংবা অদুনা ফোঙদোকখিবদা মফম অদু য়ৌরকপদা এ কে - ৪৭ রাইফল শীজিন্নদুনা খঙহৌদনা এটেক চথরকখি। লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা সেনিয়র লোকেল গর্ভর্নমেন্ট ওফিসিয়েল অমসু য়াওখি।

বেলুচিস্থানগী তোখায় তানিংবা কাংবুশিংনা ইরান অমসুং অফগানিস্তানগা তাইনবা ঙমখৈদা লৈবাক অদুগী সিক্যুরিটি ফোর্সতা তোঙান-তোঙানবা এটেকশিং চথরকপা লৈখি। চহী কয়াগী মমাঙদগী মীওই কাংলুপ খরনা মনিং তম্বা হোমলেন্দ অমা তান্দুনা লাকখিবনি হায়রি।

# নাগালেন্দ এসেমব্লীনা জি এস টি বিল পাস তৌখ্রে

*কোহিমা, আগষ্ট ২৬ঃ*

নাগালেন্দ এসেমব্লীনা রেটিফাইট গুদস এন্দ সার্ভিস টেক্স এমেন্দমেন্ট বিল (জি এস টি) পাস তৌখ্রে। হাওসতা বিল অদু পুথোক্তুনা খন্নরবা মতুং বোইস ভোটতা বিল অদু পাস তৌখি।

পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মিনিষ্টর কিয়ানিলি পেসেয়িরনা বিল অদু পুথোক্লদুনা হায়খিবদা ষ্টেট অদুদা বিল অদু চৎনবনা টেক্স লৌখৎপগী চাং হেনগৎহনগনি। লোয়ননা মনুং মপান ফাওনা অমসুং হেন্না পাক চাওবা মওংদা টেক্স লৌখৎপা য়াবগী খুদোংচাবা লৈগনি হায়খি। নাগালেন্দগুম্বা ষ্টেট অমদা জি এস টি বিল চৎনহনবনা খুদোংচাবা কয়া ফংগনি। লুচিংবা অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা টেক্স এদমিনিষ্ট্রেসদা হেন্না ফগৎহনবগা লোয়ননা থবক থৌরমশিংদা খুদোংচাবা লৈহনগনি। লোয়ননা ওন লাইনদা মদুগী খুদোংচাবসু লৌবা য়াগনি হায়খি।

# অসামদা আই ই দি ফারে

*রঙ্গিয়া, আগষ্ট ২৬ঃ*

ইম্প্রুভাইস এক্সপ্লোসিব দিভাইস (আই ই দি) কামরুপ দিষ্ট্রিক্টকী বোকো পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মফম অমদগী সিক্যুরিটি ফোর্সনা ফারে।

চপ চাবা পাউ অমা ফংলবা মতুং দোগ্রা রেজিমেন্ট অমসুং অসাম পুলিসকী অপুনবা খুৎপু অমনা পোকখায়বা য়াবা মচাকশিং অদু অমিরচান্দ অল্লিদগী ফাগৎখি হায়না দিফেন্স ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ফাগৎখ্রবা আই ই দি বোম অদু লান্মীগী বোম দিসপোজেল স্কাদনা মৈনা শৎতোকখ্রে। বোম অদুগা কোননা ফাখিবা আল্লি পুলিসনা হৌজিক ৱাহং পাউহং চথরি হায়রি।

# বিহারগী ঈচাওদা শীখিবা মীগী মশিং ১৩৫ শুখ্রে

*পটনা, আগষ্ট ২৬ঃ*

বিহারদা ঈচাওনা মরম ওইরগা মীওই ৮ নৌনা শীখ্রে। ঈচাও অদুনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবদা বিহারদা লৈখিদবা মীগী মশিং ১৩৫ শুখ্রে।



ভোজপুর দিষ্ট্রিক্ট খক্তদা হন্দক নৌনা গঙ্গা তুরেল পাথোক্তুনা ঈচাও থোকহনবদা মীওই ১২ শীখি। ঈচাও অদু গঙ্গা, সোনে, পুনপুন, বুরহিগন্দক, কোসি অমসুং অতোপ্পা তুরেলশিংগী ঈমায় ৱাং খৎলকপনা মরম ওইরগা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী খুঙ্গং ১৯৩৪দা লৈবা মীওই লাক্ষ ৩১.৩৩দা চাওনা অৱাবা নংহনখি হায়না দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী চেরোল অমনা ফোঙদোরকখি।

ভোজপুর দিষ্ট্রিক্টকী মতুংদা বিহারদা থোকখিবা অনীশুবা ঈচাওনা বৈসালি, সমষ্টিপুর, সরন, বগলপুর অমসুং খগারিয়াদা মীওই ২০ শীহনখি হায়রি।

ষ্টেট অদুদা ফাওনা চেল্লিবা গঙ্গা তুরেলগী ঈমায় খুদোংথিবা থাক্কী মথক্তা চেনবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট মরি দিগাঘাট, গান্ধিঘাট, হাথিদা, বগলপুর, কাহলগাওনচিংবা মফমশিংদা শাখিবা ঈচাও নংহনখ্রে।

বিহারদা ঈচাও অদুনা দিষ্ট্রিক্ট ১২দা অৱাবা নংহনখি। দিষ্ট্রিক্টশিং অদুদি বুক্সর, ভোজপুর, পটনা, বৈসালি, সরন, বেগুসলাই, সমষ্টিপুর, লক্ষিসরাই, খগারিয়া, মুঙ্গর, বগলপুর অমসুং কাটিহারনি হায়রি।

লমদমশিং অদুদা ঈচাওনা মরম ওইরগা শা-ষণ কয়াসু শীহনখ্রে। মীওই লাক্ষ ৩.৪৪ শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে। ঈচাও অদুগা মরী লৈননা লমদম অদুদা হাংবা রিলিফ কেম্প ৪৩৩দা মীওই লাক্ষ ১.৭৪ চংজফম লৌদুনা লৈরি হায়রি।

*সনা-সুদোকু- ৬৭৮ গী সোল্যুস*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 8 | 9 | 1 | 3 | 5 | 2 | 4 | 7 |
| 2 | 1 | 3 | 7 | 9 | 4 | 6 | 8 | 5 |
| 5 | 7 | 4 | 2 | 6 | 8 | 1 | 9 | 3 |
| 7 | 4 | 8 | 9 | 5 | 1 | 3 | 2 | 6 |
| 9 | 3 | 5 | 6 | 7 | 2 | 8 | 1 | 4 |
| 1 | 6 | 2 | 8 | 4 | 3 | 7 | 5 | 9 |
| 4 | 2 | 6 | 3 | 8 | 9 | 5 | 7 | 1 |
| 3 | 9 | 1 | 5 | 2 | 7 | 4 | 6 | 8 |
| 8 | 5 | 7 | 4 | 1 | 6 | 9 | 3 | 2 |


**৫৪ / JOB VACANCY**

Regd. no. 1400621-03550 pt-1 (micro under the Govt. of Manipur)

| Sl. No. | Name of Post | Post | Qual. | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | HOSPTIAL, HOTEL, MNC COMPANY, OFFICE, SCHOOL | | | |
| i) | Staff Nurse (GNM/ANM/B.Sc) | 15 | X-XII | 5500-8500 |
| ii) | Medical Representative | 08 | XII-Grad. | 15000-30000 |
| iii) | B.P.O. Asst. Manager | 10 | XII-Grad. | 12000-18000 |
| iv) | Computer Operator, Data Entry | 15 | X-above | 8500-15000 |
| 2. | DIRECT JOIN MICRO FINANCE/OFFICE (100% Success) | | | |
| i) | Reception, L.D.C., Attendent | 10 | VIII-above | 5500-8500 |
| ii) | Security/Gunman, Peon, Helper | 10 | VIII-X | 4500-8500 |
| iii) | Choukidar, Grasscutter, Cook, Helper, Sweeper | 15 | VIII-above | 5000-10000 |
| 3. | DISTRICT WISE VACANCY OF BANKING IN MANIPUR & NORTH EAST (6 MONTHS TRAINING WITH SALARY) | | | |
| i) | Account Opening, Loan Recovery | 18 | XII-Grad. | 12000-25000 |
| ii) | Setting Staff, Mobile Banking | 15 | | |
| | Supervisor, Loan Officer | 15 | XII-Grad. | 16000-28000 |
| iii) | ATM Security, Bank Security | 10 | VIII-X | 10000-18000 |
| 4. | AIRPORT POST VACANCY FOR DOMESTIC AND INTERNATIONAL | | | |
| i) | Air Tiketing Staff | 12 | X-XII | 12000-15000 |
| ii) | Ground Staff, Airport electrician Cabin Crew, Air Hostes | 15 | X-XII | 17000-25000 |
| iii) | Loader, Flight Cleaner, Cargo Driver | 20 | VIII-above | 10000-20000 |
| 5. | Extra Income & part time Jobs for Students, House wife and Employed and unemployed in Manipur | | VIII-above | 10000-20000 |

Interview on : 29th Aug., 2016
Last submission : 27th Aug., 2016
Office Hour : 10.00 am - 4.00 pm
SL/B/18-26 Aug

RISING STAR COLABORATION
Kwakeithel Thoudabhabok,
Near Ima Stationary


## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-679**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 8 | | | 3 | 5 | 2 | | |
| | 1 | | | 9 | | | 8 | |
| | 7 | 4 | | | | 1 | | |
| 7 | 4 | | | | 1 | 3 | 2 | |
| 9 | | | | | 2 | 8 | | 4 |
| | 6 | | | | | | 5 | 9 |
| 4 | 2 | | | | | | 7 | 1 |
| 3 | | | 5 | 2 | 7 | | 6 | |
| 8 | | | | 1 | | | | |


**DSPN MULTI-TRADING COMPANY PRIVATE LIMITED**
Corporate ID No. U519009MN2013PTC008325
Branch Office :- Governor Road Paona Bazar, Imphal

**DIRECT WALK - IN INTERVIEW**

*The company invite application from the willing smart and discipline candidate for the following post.*

| Sl. No. | Name of Post | No. of Post | Edn. Qualification |
|---|---|---|---|
| 1. | Computer Operator cum Receiptionist | 6 | 10+2 BCA |
| 2. | Office Assistant | 2 | 10+2 |
| 3. | Field Staff | 10 | 10+2 |
| 4. | Cashier | 1 | B.A./B.Com |
| 5. | Accountant | 1 | B.Com (Book Keeping) |
| 6. | Business Manager | 2 | BBA/MBA (Marketing) |
| 7. | Marketing Manager | 2 | B.Com/M.Com/ MBA (Marketing) |
| 8. | Assistant Engineer | 2 | BE/ME (Civil) |
| 9. | Architecture | 1 | Bachelor in Architecture |
| 10. | Agent | 20 | XII and Above |
| 11. | Commission Agent | 70 | XII and Above |

**Date of Interview 28-08-2016**
**Time : 10:30 am to 5:00 pm**
**Venue : Nirmala Hotel M.G. Avenue**
*Willing candidate may come on the date of Interview along with own written application to the Managing Director with the necessary academic certificate.*

Sd/-
Managing Director
DSPN Multi Trading Company Pvt. Limited
Governor Road, Imphal
Contact No. 9862591897

SL/C(E)/27

**DIRECT ADMISSION IN INDIA & ABROAD**

**MBBS in BANGLADESH**
DHAKA, CHITTAGONG, RANGPUR & RAJSHAHI
MBBS in INDIA, KAZAKHSTAN & CHINA

10th Times Installment to be paid Within 5 Years
NO DONATION
NO PROCESSING FEE
NO VISA FEE
EDUCATIONAL LOAN AVAILABLE
# NOTICE #
No Free Laptop, No Free Mobile
No, Free For Travelling Fare
No Free Tab

GET SCHOLARSHIP BENEFIT OF UPTO 20 LACS

BDS in INDIA (no donation)
Top Colleges Recognised by DCI

B. Tech/BE (☞Rs. 70,000/ yr)
Civil, Mech, EEE, ECE, IT, ARCHITECTURE & CSC

B.Sc Nursing, GNM & BPT (Physiotheraphy) at Guwahati & Bangalore

Agriculture, Forestry & Horticulture at Dehradun

Regional Office :-
Office Regd. No. 548/SR(IE)
**LUWANG EDUCATION TRUST**
Palace Compound Near Pioneer Academy, Opposite SBI ATM Booth, Imphal East
✆ 9856167106 ✆ 8259867645

SL/B/14th July- 20th Sept. 2016